# ওলিম্পিক ফিবরসিনা হনখিদ্রিঁঙে ...

মমাঙ'-চহী (২০২০) গী জুলাই ২৪দগী ওগষ্ট ৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা, ৩২শুবা 'সম্মর ওলিম্পিক গেমস', কোরোনা-পেন্দমিক'না মরম ওইদুনা য়েথোকখিবা, অমুক হন্না য়েথোরক্কদ্রা চিংনরম্বা 'টোকিও ওলিম্পিক্স' - চহী অমগী মতুং, ২০২১ জুলাই ২৩দগী ওগষ্ট ৭ ফাওবা পাঙথোল্লগনি। ওলিম্পিক'কী ইতিহাসতা, য়েথোক্লুরবা গেমস অমা অমুক সিদ্যুল তৌরগা পাঙথোল্লকপা হায়বসি 'টোকিও-গেমস' অসিনা অহানবা ওইরে। অদুগা, এসিয়াগী সহর অমনা 'ওলিম্পিক গেমস' যূম্বু ওইদুনা অনীরক পাঙথোকপা ঙম্বসু 'টোকিও'না ওইরে। লৈবাক ২০৬তগী শান্নরোয় ১১,২৩৬ লোমনা তোঙান তোঙানবা শান্নবগী ইভেন্ট ৩৩৯দা অথোয়-অহেন তান্নবগী থৌরম অসি জাপানগী নিংথৌ 'নরুহিতো'না, 'জাপান নেসনল ষ্টেদিয়ম'দা হৌদোক্কনি। মমাঙগী ওলিম্পিক পন্দুপ ৩১ অদুদা ওইখিবা শক্তম অদুগা, হন্দক্কী ৩২শুবা চেপ্তুর অসিগা মান্নদবা, পূমতোপ তোপ্পা মতৌ অমদি - চাউখ্রবা শান্নবগী কূমহৈ অসিদা মপান লৈবাকশিংদগী শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিংদুখক নত্তনা য়েংবীনবা মী অমা ফাওবা লাকহন্দবা, যূম্বু ওইরিবা জাপানগীসু অয়েংবা অমত্তা চঙহন্দবা, পূমহাঙ হাঙলবা ষ্টেদিয়মগী গেল্লেরিশিং... পূক্নিং থৌগৎপীনবা য়াওদ্রবা শান্নবুংগী শান্নরোয়শিং অসিনি। শান্নবুং অমদি শান্নরোয়শিংগী লৈফমদা ইমর্জেন্সি লাউথোল্লগা পাঙথোল্লিবা 'ওলিম্পিক গেমস'নি। অয়েঙবা (ভাবোক) শিংদগী, টিকেট য়োন্দুনা খোমগৎকদবা য়াল্লবা শেনফমদুমদি ওলিম্পিক কম্মিটি'না মাঙজরবনি।

ঙসি ফাওবদা ইন্দিয়া'না ওলিম্পিক মেদল ২৮ ফংখরে (সনাগী ৯, লুপাগী ৭, শেঞ্জেংগী ১২)। ১৯০২দগী হৌদুনা লেপ্তুনা য়াওরল্লিবনি। ১৯৫২, হেনসিঙ্কি ওলিম্পিক্সতা অমুকখক য়াওরল্লগা পোলিটিকল-ইস্যু অমদগী ওলিম্পিক বোইকোট তৌখিবা 'পিপলস রিপব্লিক ওফ চিনা', ১৯৮৪ লোস এঞ্জেলস ওলিম্পিক'তগী য়াওবা হৌরকখিবা লৈবাকসিনদি সনাগী মেদল ২৩৭, লুপাগী ১৯৫ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৭৬, পূন্না মেদল ৬০৮ ফংখরে। কয়াদা মায় খূনীংঙাইনো! অদুবু, 'মায় খূবা'/'ইকায়বা নংবা' হায়বদু ইন্দিয়ন-স্পোর্টস-এদমিনিষ্ট্রেটরশিংদি খঙদবা মাল্লি, ওলিম্পিক-গেমসকী থাকসিদা শান্নরোয়শিংবু ইনখৎনবা/কাজখিবা ঙম্নবা কৈরাক অমা থাবীবগী ৱাখল ঙসি ফাওবা পোক্তরি। স্পোর্টস মিনিষ্ট্রি অমসুং নেসনল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংগী মরক্তা লৈনরিবা মরী করিনো খঙদে, লৈনফম থোকপদুদি খঙই ঐখোয়। ওলিম্পিক অমদগী অমদা শান্নরোয়শিংগী পর্ফোর্মেন্স, করম্না হেনগৎহনগনি কনানসু খন্নদে। স্পোর্টস-বোদি-এদমিনিষ্ট্রেসন'দা পোলিটিসিয়ন'না খূৎ থিংজিল্লি। মনীং তম্না ৱারেপ লৌবা/থবক তৌবা ঙমহন্দে। নেসনল স্পোর্টস পোলিসি শেমদে। মদুনা মরম ওইদুনা, ষ্টেটশিংদসু য়ুনিফোর্ম স্পোর্টস পোলিসি লৈতে। পোলিসি দিরেক্টিব অমা য়াওদবনা, শান্নরোয়শিংগী করিয়র মশানা মরন্নাই শেমজবা তারকই। প্রাইভেট প্রোমোটরশিংগী মখা পোন্না হিংলকই। শান্নবা (স্পোর্টস) হায়বসি শান্নরোয় অমগী 'প্রোফেসন' ওইবা ঙমহন্দে।

টোকিও ওলিম্পিক ২০২০ (২০২১দা পাঙথোল্লবসু ২০২০ হায়না অদুম মিঙ্গৌরিবা) গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ১২৪ খক্না শরুক য়াগনি। হোকিগী (নুপা অমসুং নুপী টিমগী) এক্সত্রা গোলকিপর ২ অমসুং মহুৎ শিন্নবা প্লেয়র অনী অমগা, পূন্না শান্নরোয় ১২৮, টোকিওগীদমক খোঙশানগনি। অর্চরি, এথলেটিক্স, বেদমিন্টন, বোক্সিং, ইক্যিষ্ট্রিয়ন, ফেন্সিং, হোকি, গোল্ফ, জিম্নাষ্টিক্স, জুদো, রোৱিং, সেলিং, শুটিং, স্বিম্মিং, টেবল টেন্নিস, টেন্নিস, ৱেট-লিফটিং অমসুং রেষ্টলিং- মশান্না তরানিপান'দা শরুক য়াগনি। মীওই ক্রোর চামকুন্থ্রামঙা লৈবা ইন্দিয়াসিদগী শান্নরোয় ১২৮ খক খনগৎপদা শুপ্নগী লাখ কুন্তরেৎ-কুন্নিপানখক লৈবা মণিপুরদগী মঙা য়াওরিবনি। মসিবু তরাইনা লৌবা য়াবা ৱাফল্লা? অদুবু, লৌই মণিপুর লৈঙাকসিনদি। ওলিম্পিক য়াওনবগীদমক্তা প্লেয়রশিং অসিনা অকনবা ত্রেনিং লৌদুনা মীরমদমদা লৈখিবনা ময়ূমদা লৈরমদ্রবসু, মখোয়বু ওলিম্পিক'কী থাক্তা পুখৎলকপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরকখিবা, ইভেন্টশিংসিগী ষ্টেট এসোসিয়েসনশিংগী থৌমী অমমমতং ওইরবসু স্পোর্টস-মিনিষ্টর নৎত্রগা চীফ মিনিষ্টরগী বংলো'দা নৎত্রগা ওফিসতা কৌবীরগা 'পূক্নিং-থৌগৎ-ৱাহৈ' অমত্তং হায়বীরল্লবা! পেনবই ঙমখে লৈরল্লোই। অদুবু, অদুগুম্বা থৌরমদুদা 'হোকি এসোসিএসন' খক্কী মীহুৎ কৌবীরগা বোক্সিং, জুদো অমদি ৱেট-লিফটিং এসোসিএসন' দদি পাউ পীবিরকখিদবা - করম্বা এজেন্দা লৈবগীনো? হংফম থোকপা ৱাহংনি, হংফম লৈতবগী হংদবা।

ৱারেংসিদা নৌনা অমুক পন্দ্রবসু খঙবীরবা ৱাফমনি - গ্লোবেল মেপ'তা য়েংলগা বিন্দুমুক্তং চাউবা, ইন্দিয়ানা নমলৌ লৌশিল্লগা মতম শাংনা মীরায়দুনা থম্বীরিবা, 'মণিপুর' কৌবা ষ্টেটসিদগী ওলিম্পিক গেমস য়াওরুরবা শান্নরোয় ১৭ থোল্লকখ্রবনি ২০১৬ 'রিও ওলিম্পিক' ফাওবদা। জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা 'টোকিও ওলিম্পিক' অসিদা য়াওগদৌরিবা শান্নরোয় মঙাসিগী মনুংদা অহুমদি (মিরাবাই, মেরিকোম, পি সুসিলা) মমাঙগী গেমস'তা য়াওরুরবনা, অনৌবা প্লেয়র অনী (সুসিলা লিকমাবম অমদি নীলকান্ত শর্ম্মা) অসি থারগা মণিপুরনা পুথোকখিবা ওলিম্পিয়ন তরামাপন শুরনি। মেদল লৌবা ঙমখিবদি মেরি কোম মথন্তা ওইরি ঙসিফাও। টোকিও গেমস অসিদগী অনৌবা মণিপুরী-ওলিম্পিক-মেদলিষ্ট থোরকপরা য়েংবা তারি।

লমদমসিগী লৈঙাকপা, মন্ত্রি-মন্দল, এম এল এ, অঙম অথৌ পূম্নমক, ওলিম্পিক গেমস ময়া নকশিল্লকপা, অদুসু মণিপুর মচা য়াওরল্লবা মতমদুদতা শান্নরোয় নীংশিংলকপগুম তৌবা মতৌ অসিমদি - মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা মথম্মোয়দা ৱারৌরমগনি শোয়দনা। ...'ওলিম্পিক-গেমস-গোল্ড-মেদলিষ্ট অমদা লুপা ক্রোর অমগা লাখ কুন রিৱার্দ পীগনি, সিলভর-মেদল ফংলগনা ক্রোর অমা, ব্রোঞ্জ মেদল ফংলগনা লাখ হুম্ফুতরা মঙা'...। অসিগুম্বা এন্নাউন্সমেন্ট মমাঙগী লৈঙাক্তুনসু তৌখি। হন্দক্কীসিসু অমহানি। শান্নরোয় অমনা ওলিম্পিক্কী থাক য়ৌনা কারকপা, মঙদা ঈশ্বর লাক্লুগা পীরম্বা থৌজাল অমনা ঙমহল্লকপা নত্তে। চহী কয়াগী হোৎনজমল, হনবা লৈতবা অখাঙ কনবা মতৌদুগী মথক্তা, গ্রাউন্দ লেভেলদগী ষ্টেট লেভেল, নেসনল লেভেল, এসিয়ন লেভেল অমদি ইন্টরনেসনল লেভেল... মথং মথং ইনখৎলকপদা ষ্টেট লেভেল এসোসিএসনশিংনা লৌরিবা থৌদাং-কাউফম থোক্তে। অদুবু, অফবা শান্নরোয় পুথোকপগী অখন্নবা থৌশিল লৈতবা ষ্টেটনিনা, শান্ন-খোৎনবগী লোয়শঙগা শান্নরোয় অমদি স্পোর্টস এসোসিএসনশিংগা, অনীসি উন্নফম লৈতবা লৈই অনী পেরেলেল ওইনা চৎমিন্নবগুম চৎলি।

নৈনবদা মতম চঙগদবা, শাংলবা ৱারী অমনি। অতে স্পোর্টস ওর্গনাইজেসনগী ৱা পঞ্জরোই। ইশানা থৌমী ওইজবা 'জুদো' মশান্নগী ৱারী মতেক অমত্তং লীজরমগে। ১৯৮৩দা লিংখৎখিবা, মণিপুর জুদো এসোসিএসন, মণিপুরগী মুক্লাগা হাইফেৎ মান্নবা কন্টেক্ট-স্পোর্টস অমা ওইবনা 'জুদো মশান্নবু মণিপুরগী শান্নরোয়শিংগী শাওং-শাদাগা চূনবা মশান্না ওইনা শক্তাকপদা মতম কুইনা চঙখিদে। ইন্দিয়ন জুদো'দা মণিপুরগী অচৌবা মফম অমা কনবা ঙল্লকখি। 'মণিপুর' - জুদো মশান্নদদি ইন্দিয়াগী অতে ষ্টেটশিংনা কল্লকপগা লোয়নননা খ্বাইদই কন্না য়েংশিল্লিবা 'ষ্টেট' অমনি। ইন্দিয়ন-জুদোগী ওলিম্পিক্কী পুৱারীদা 'জুদোকা' মাপনখক পুথোকখিবদা মণিপুরদগী মরিনি (ৱর্ল্ড য়ুথ ওলিম্পিক'কী 'তবাবি দেবী' থারগা)।

কয়াদা পূক্নিং নুংশিনীংঙাইনো, য়েংবীয়ু। সম্মর 'ওলিম্পিক গেমস'তা শরুক য়াবা ওলিম্পিয়ন অহুম (ব্রোজেশ্বরি, তোম্বী অমসুং সুসিলা) পুথোকখ্রবা ষ্টেটসিগী স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী মীৎয়েংখাদা 'দোজো' (জুদো শান্নফম-শঙ) অমা ফাওবা লৈতে। দোজো অমখক শাবীনবা, মমাঙগী কোংগ্রেস-লৈঙাক মতমদগী হায়জরকপা, কনামতগী নাকোংদা হাপখিদে। 'দোজো' শাবই ৱাদি তোকখ্রসি, শান্নরোয়শিংগী শান্নবুং ওইদৌরিবা 'মেত' (মোম্পাক) সেট অমখত্তং লৈবীনবা হায়জবফাও তাবীদে। অদুঙৈ, ১৯৯৯- নেসনল গেমস মতমদা লৈখিবা 'বেলজিয়ম-মেদ-মেত' অদুদি মপুন্সি লোইখরে। মণিপুরগী অমত্তা ঙায়রবা 'দোজো' - ময়াং ইম্ফালদা লৈরিব'সিদা থারিবা মোম্পাক, চিনানা শাবা, অসিদি 'জুদো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া'না, মখোয়গী ত্রেনিং সেন্টর অমা লিংখিবদুগীদমক পীরকপনি। ইশম শম্না হায়রবদা, মণিপুর লৈঙাক্না শাবীবা জুদো-শান্নবুং (দোজো) অমা ফাওবা লৈতবা লমদমসিদগী, মণিপুর জুদো এসোসিএসন'দা এফিলিয়েট তৌবা য়ুনিটশিংনা - ক্লবতা/শঙ্গোয়দা/মান্দব'তা ত্রেনিং তৌরগা পুথোল্লকখিবা ওলিম্পিয়ন ঙাক্তনি। স্পোর্টস-দিপার্টমেন্ট'না নেসনল চেম্পিয়নশিপশিংদা প্লেয়র মশানা নৎত্রগা জুদো এসোসিএসন'না মরন্নাই পুথোকচরগা য়াওরুবগী শেনফম-শরুক খরা পুথোকপীবই থৌশিলসি নত্তবা অতোপ্পা তেংবাঙ অমত্তা লৈতে। চিনানা ওলিম্পিক গেমস'-মেদল-টেল্লিদা মকোক থোংবা ঙল্লল্লিবা, বৈজিং স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি লৈরম্বননি... মালেমসিনা হায়নবনি। য়ুনিভর্সিটিসিগী মওং লৌরগা চলাইগদবনি হায়দুনা আশা চাউনা লীংখৎকনি হোৎনরম্বা, মণিপুরগী 'নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি' - ময়োল কংখ্রবা পাম্বীগুম হৌগৎলক্কনি থাজদ্রে।

ওলিম্পিক-ফিবরসিনা হন্দ্রিঙৈ, কোরোনাগী পাখৎপদু নমহত্তুনা, মণিপুরী ওলিম্পিয়ন মঙাদুগী পাউ তানীংলিঙৈ মতমসিদা ওনরেবল চীফ মিনিষ্টরগী পূক্নিং অমুক্তং চিংশিনজনীংই - 'কৈদৌঙৈদা ওলিম্পিক ক্বালিফাই ওইবা ঙল্লরোইদবা, মীয়াম্না পাম্নবা মশান্না অমগীদমক্তি মতমগা চূনবা শান্নবুং শেল চঙনা শেমগৎপদা নত্তনা, ক্লব-য়ুনিট মচা মচা কয়াদসু শেল থাদদুনা হোৎনবীরিবদুগা চাংদম্নণা পীয়ু হায়জরোই... শেল পীয়ু'সু নিজরোই, মতমগা চুনদ্রবা মল্টিপর্পজ হোল নত্তবা, 'দোজো' অমত্তং শাবীয়ু, মচাক মথুম হাপ্পীয়ু, ২০২৪ ওলিম্পিক'তা জুদোদা-মেদলিষ্ট পুথোকচগে... ৱাফমসি চেল্লেঞ্জনি হায়না লৌবীয়ু'...।

*-ইন্দ্রকুমার*

# ইরোল ইয়েক, ঐখোয়গী শক্তম অমদি মীকপ থোকহন্নীংবগী পাউজেল পুরিবা "ফাজিনখ্রবা লৈয়েঙ" শৈরেং লাইরিক অসিদা মীৎয়েং অমা


লাইরিক্কী মমিং :-
**ফাজিনখ্রবা লৈয়েঙ, ২০২১**

অইবা :-**রোমী তখেল্লম্বম**

অফোঙবা :-
**সাহিত্য থৌপাং লূপ**

লাইরিক্কী মখল :- **শৈরেং**

লাইরিক্কী মমল :- ২০০/-
লাইরিক্কী লমায় মশীং :- **১০৪**




খুন্নাই অমগী পুৱারীনা মীরোল কয়া পথাং-পুথাং লান্না মসিদা য়াওরিবা কলচরেল ভেল্যুস, চৎনবী থাজনবী, লাইনীং-লাইশোন, ৱাংউলোন, লৈবাক ঙাকলোন অসিনচিংবা পূম্নমক লাচলদুনা থল্লিবা পাম্বৈ অমদি ঐখোয়না ঙাঙনরিবা ইমালোল অমদি ইয়েক হায়বসিদনি। ঙসি মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংনা মশা মশাগী মমালোলদা মহৈ মশীং তম্বনা হেন্না হেন্না চাওখৎপা অমদি হীরম কয়াদা মাঙজিল থাবা ঙল্লি। মালেমগী চাওরবা লৈবাক কয়াগী মীফমশিং, কনফরেন্স অমদি ঈ-পাউ ফাওনবদা মশা মশাগী মমালোল শীজিন্নরি অমদি মসিনা হেন্না মখোয়না চাওথোকচবা ফাওজে। থিজিন হুমজিনবদা, রিছর্স কয়াদা মমালোলদা লোয়নমক পাঙথোল্লি। চাইনা, জপান, কোরিয়া, রুসিয়া অসিনচিংবা লৈবাকশিংদা খুদম ওইনা অদুমক উবা ফংলি। ইমালোল ঙাঙবদা ইকায়নীংঙাই লৈতে। চাওখৎপা লৈবাক্কী অমদি মতম অমগী লোইলম মপুগী লোল ওইরিবা ইংলিস খঙদ্রবদি লাইরিক হৈতবা ওইনা খনবা ৱাখল্লোন অসিমক ঐখোয়না তল্লিবা লাইরিক লাইশু তম্বগী সিষ্টম অসিনা ওইহনবা থৌওং অমনি। চহী কয়া তূম্লুরবা মতুংদা ঙসিদি অপীকপা ফুরুপ কাঙলুপ কয়া, লৈবাক কয়াদা মশা মশাগী মমালোলদা লাইরিক লাইশু কন্না তম্নরক্লি। মালেমগী ইমালোলগী নুমিৎ ফেব্রুৱারী ২১ হেন্না পাক শন্না পাঙথোক্নরক্লি। বাংলাদেশকী মীয়াম্না মালেমগী মীয়ামদা পীখিবা ইমালোলগী খুদোল অসিনা মশাগী মমালোল লৈজবশিংদা মীকপ থোকহল্লে। হৌজিক্কী মতমদা ইমালোল হায়বসি অসুক্কী মতিক মরু ওইবা হীরম অমা ওইনা লৌনরক্লি। ইমালোলদা পূক্নিং ৱাখল ফোঙদোকপসিনা হেন্না মপূং ফাহল্লি। ইমালোলদা লাইরিক লাইশু তম্বনা অঙাংশিংনা হেন্না ৱাখল লৌশিং হেনগৎলি। অদুনা হায়রল্লিবনি নেলসন মন্দেলানা,

If you talk to a man in a language he understands, that goes to his head.
If you talk to him in his language, that goes to his heart.

রোমি তখেল্লম্বম ১৯৭৫দা সোইবম লৈকায়, ইম্ফালদা লৈবা তখেল্লম্বম ইবোবী অমদি তখেল্লম্বম ওংবী গুনবতিগী মচা নিংঙোল ওইনা তাইবঙদা খোঙদারকখি। আনন্দ সিংহ একাদেমিদা ক্লাস টেন ফাওবা তম্লকখি। মতম শাংনা মহৈরোয়শিংগী লূপ অমা ওইরিবা এমসুগী থবক থৌরম কয়াদা শরুক য়াদুনা লাকখি। জি পি ৱিমেন্স কোলেজদা বি এ লোইশিনখি। মতমদুদা মহাক্না কোলেজ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইদুনা মহৈরোয়শিংগী লুচিংবী অমা ওইনা থবক কয়া তৌরকখি। মহৈরোয় খুন্নাইবু লমজিং লমতাক তৌজবা পামজবা মহাক্কী পুন্সিগী পান্দম অমা ওইদুনা লাকখিবা অদুমক্তনা হৌজিক ওজাগী শিনফমদা লৈদুনা মহৈরোয়শিং তাকপী তম্বীরি। পুন্সিদা মঙ মঙবা লেপ্তুবা মীওইশিংনা নোংমদি মতম কয়াদগী মঙদুনা লাকপা মঙলানশিং অদু হেক হেক মঙফাওনদুনা পুন্সিদা পাঙথোক্কে খঞ্জবা থবকশিং খরদং ওইরবসু পাঙথোকপা ঙমই হায়বসি উবা ফংই অইবীগী লাইরিক অসিদসু। অইবীগী অহানবা লাইরিক অসিমক সাহিত্য থৌপাং লূপনা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা মালেমগী শৈরেং নুমিৎ মার্চ ২১, ২০২১দা ফোঙদুনা মণিপুরী খোরিরোলদা মহাক্কী খূৎই অমদি খুদোল তম্বা ঙমখ্রে। লাইরিক অসিদা পূন্না শৈরেং ৬০ য়াওরি। শৈরেংগী মিংথোলশিং ৱাহৈ অমনা ওইবা কয়া য়াওরি। মপূং ফানা অহানবা খূৎথাদা ফজনা ফোঙদোকপা থেংনৈ।

মালেমসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লোলদা ইরিবা অইবশিংনা মাগী মাগী খুন্নাইদা থেংনরিবা অৱা-অনা, খুদোংচাদবা, আইদেন্টিটিগী ইস্যুশিং, মী মশেল মরক্তা থোক্লিবা মুক্নবা, য়েংথীনবা অসিনচিংবশিং অসি লেইনমক নৎত্রবসু হেক হেক মখোয়গী খূৎইদা মমি তাদনা তোক্তে। কনাগুম্বনা হেন্না রেদিকেল ওইনা প্রোটেষ্ট পোইম অমদি য়াম্না পোলিটিকেল ওইবা ফাওবা ইরি। মরমদি অইবশিংনা খুন্নাই অমবু ঈং চিক্লা তংদু লৈতানা লৈহন্নীংই। ফিদমগী মশক ওইবা খুন্নাই অমগী মঙ হেক হেক মঙলি। অদুননি মখোয়না চোকথবা লৈতনা লাইরিক কয়া ফোঙলিবা।

রোমি তখেল্লম্বমগী অহানবা শৈরেংগী খোমজিনবা লাইরিক, "ফাজিনখ্রবা লৈয়েঙ" অসিদা মপূং ওইনা শৈথারিবসি মণিপুরী খুন্নাইগী কন্টেম্পরেরি ইস্যু কয়াদনি অমদি লাইরিক্কী মিংথোল ওইরিবা "ফাজিনখ্রবা লৈয়েঙ" হায়বসিগী থিমসু ইমালোলবু মীরায়বনা তুং কোয়না পুরকপা য়াবা মাঙজবা অদুনি। ইমালোলবু য়োকখৎচনীংবা অমদি মসিবু হেন্না চাওখৎনবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক থৌদাং লৌমিন্নসি হায়বা পাউজেলশিং লোয়নদুনা চৎলি। ইমালোল মীরাইদুনা মীগী মমা মশক ফজবীদা ইমা কৌবা থক য়ারোই অমদি মসিনা চাওখৎপা লমদম অমা কৌবসু য়ারোই হায়না ফোঙদোক্লি। খঙদনা অখঙবা শাবা অমদি লৈবাক্কী লুচিংবগী মায়খুম উপ্তুনা লমদম অসিবু খুন্নাই অসিবু লান্না লমজিংলিবা মখোয়দা মীকপ থোক্লো হায়নীংলি। ঐখোয়গী লৈজরিবা ইমালোলগী কুম্মৈ অমদি তাবুংনুংগী ফজরবা লোল কয়া অসি মফম মতম চানা শীজিন্নসি, মসিবু মাঙদা তাদনবা ঙসিগী মীরোলনা হোৎনসি হায়বা পাউজেল পুরি। অদুনা অইবীনা নুংশিনা শৈথাজরি ইমালোলবু, "পাম্মুজবা ঈরোলনি পূম্নমক্তে অথোইবা/পাম্মুজবা ঈয়েকনি পূম্নমক্তে অহেনবা/... কয়াদা ইনাক খুনখ্রবা/ঐখোয়গী ঈরোল ঐখোয়গী ঈয়েক/... ইশাগী ঈপোৎ-ইরল লোইশিন-খোমজিন/তাশিনবদি ইশিল ওইসিনা"। খুন্নাইসিদা থোক্লিবা তশেং তশেং শক্তম অমসু ৱাহৈ খরদা ফোঙদোক্লি "মরীল তেংসি" হায়না মিংথোনবা শৈরেং অসিদা। খুন্নাই অমদি লৈঙাক্লোন অসি করিগুম্বা লায়েংবদা ৱারবা লায়না অমনা নারবা অমগুম য়েক্লি। অদুনা আইরোনি ওইনা ইরি, "লৈবাক অসি কল্লগে/চোঙথোরক্তে কনাসু/লৈবাক অসি লৈঙাক্লগে/চোঙথোরক্লে থিঙমদনা মশীংদি" হৌজিক হৌজিক লুচিংবা শাবশিংনা ফোংনা শগুন তৌরিবা অসিদা নুংঙাইজদবা ফাওরি অইবীনা। অমরোমদা হিংনবগী লানফমদা শিন্মী ওইদুনা অমদি চঙজফম লৈতনা নুং-লৈঙোই পেল্লিবা, অফং অফংবা থবক শূরিবা, মীনা হঙ্গোইনরবা গালিশিংগী শক্তমদা লমদম অসিগী নুপী ওইবীশিংগী পুন্সি অমদি মখোয়গী লাইবক্তা থেংনরিবা পুন্সিগী লান কনানা ওইহল্লিবা। পূম্নমক পুন্সি হায়বদুরা ৱাহং হংলি 'মখোয়সু মীনি' হায়বা শৈরেংসিদা অইবীনা।

থাজবা হায়বসি লৈবনা হিংলিবনি ঐখোয় অমদি ঐখোয়গী খুন্নাই। ফনা য়াম্না খাঙবা ঙম্বগী পনখৈ লানখ্রবসু ঐখোয়না থাজরি লমদম অসিবু থম্মোয় শেংনা নুংশিবা লুচিংবা অমদি শোয়দনা লাকখিনি হায়না অদুনা অইবীনসু অসিগুম্বা থাজবা অসিদা যূম্ফম ওইদুনা ইরি, 'কংলৈ পিবা' সাইওল লাংওল অমা ওইনা লাক্তুনা লম্বী খঙদনা অমম্বা মায়কৈ অমদা চৎলিবা লমদম অসিবু লমজিংবীবা লাকখিনি হায়না চেৎনা থাজবা থল্লি। অদুননি শৈথারিবা, লাক্লো থোরক্লো/লাইবক ফবা কনানো?/শকহেনবা কনাবু ওইগবা/লাইনা থাবা নুংওনবা/চিংঙু লাংওন নোংদম্বা।"

মীয়াম্না মীহুৎ খঞ্জদুনা মীয়ামনা লৈঙাকপা লৈবাক অমগী সিটিজন অমা ওইনা দেমোক্রেসি হায়বসিদা হিংলিবা মীচম মীয়ামগী পুন্সি অসি ঐখোয়গী লৈরিবা লুচিংবশিং অসিনা করি ওইনা উরিবা অমদি খল্লিবা হায়বসি হেক হেক হংনরক্লি। ঈশিং চাওবসু লায়রবদা ৱাতাশিনবা, ঈকং থোক্লে লায়রবা, কোভিদ লাইচৎ লাক্লবসু লায়রবা। লায়রবা হায়বসিদা পোলিটিক্স তৌরিবা মখোয়বু লাইগী ৱায়েল অমা লাক্লগা অৱা অনা পূম্নমক অসিদগী কোক্তুনা নুংঙাইবা লমদম অমা লাকহন্নিংলি। মণিপুরগী ৱাংমদা মতম অমদা অৱা লানগায়দুনা চোয়না চোয়না খুন্দাখ্রবা ঈগী মরী ইচিল ইনাওশিং মখোয়গী খোঙ্গুল লীদুনা ইমা লৈবাকসিগী চীংলোন্না কোয়শিনবা লমদম অসিগী নুংশি পাউজেল চেননীংলি। নীংশিংদুনা মখোয়বু মপাউ অদুদি হেক হেক তানীংলি। লমদম তাম্না লৈখ্রবা মখোয়বু পোক্লফম লমদম্না মীরায়বা লৈতে, পলেম পম্থৌনা মখোয়বু লাপ্পা নাওকোনবীয়ু পাউমেল্লি। লাইরিক অসিগী অহানবা শৈরেংসু ওইরিবা 'লানবুঙ' অসিদা থম্নিংলিবা ৱাফমদি ঐখোয় মশেল মরক্তা করম্বা চাংয়েংগী লানফমনো শোক্নরিবা, মসিনা করি কান্নবনো পুরক্লিবা হায়না হংলি। মসি মতম পূম্বগী ওইনা লেপ্লো হায়রি।

ফজরবা ইমেজরিদা ইরক্লিবা 'হূ মরূ' য়াম্না চংখোল্লবা শৈরেং অমনি। 'কাং-খোং চাইরে ইরমদম/অরুবনা মতাইদা-অনৈবনা ময়ায়দা/পাক্ল-সমুদ্র ঈপাক্তা কৈদৌরুনি-থুমগী খুজোকসিনদি... মরূ ফংনা ফূক্তৎলগে তেমশিংনা/চাইশিল্লকখিবা হূগী মরূশিং/লমদমসিগী লৈমায়দা শিন্থুংলে/কাঙ্খুল হাঙদ..." মীপাইবা অমদি ইতৎ তত্তনা ফাওদবা ঙমদে। মরমদি অপিকপা ফুরুপ কাঙলূপ কয়া চাওরবা ফুরুপশিংনা, লৈবাকশিংনা তপ্না তপ্না য়োৎশিনখিবগী ৱারী ঐখোয় তানরি। মমা লৈবাক মরমদমগীদমক হিংদুনা করিগুম্বা খরদি পাঙথোক্নিংলি। নেসনেলিজমগী ওইবা স্পিরিট অমসু লোয়নদুনা চৎলিবা অইবী অসিগী শৈরেং লাইরিক কয়া লেপ্তুনা ইরক্কনি হায়না থাজবা থমজরি।

*– তোংব্রম অমরজিৎ*

# যোদ্ধচন্দ্র সনসমগী ঈশৈ ময়েক্তা তারিবা মমি - ৪

ৱাহৈনা শেন্বা শৈহেক কয়াসে
ফজহন্নীংলি নঙগী মায়থোঙগুম
ঐগী ঈশৈনা নঙমুক নুংশিরগা
নীংবা থুংজগে নুংশিরুবগী
মদুগীনি ঐনা শক্লিবা ঈশৈ।

ঈশৈ ময়েক অসিমদি শৈরেংবা মশানা মশামক্লি হায়না ময়েক শেংনা তাকপগুমই, মতাং অসিদা ৱাফম অসি লাকই।

হিন্দিগী কবি পন্তনা হায়রম্বা "বিয়োগী হোগা পহলা কবি, অহসে উপজা হোগা গান"

তশেংনমক ঈশৈ ময়েক অসিদা লেংদনা লৈরে।

ময়েক অসিগী স্থায়িদা
নঙমুক ফজবা নঙমুক নুংশিবা
ঈশৈ অমতং ঐ শক্লিংলি
মদুগীনি ঐনা শক্লিবা ঈশৈ

মীপূম খূদিংমকসি ঈশৈ তারুবদা, তারুরবি ঈশৈদুনা থম্মোয়সি শুন্দ্ধৎলবদি ফজখরেদা, নুংশিখরেদা, হায়বসে পূম্নমক্কীনি। মতাং অসিদা ঙাইহাক্কী ওইনা চিনবান্দগী হায়দোকখিবা হায়বা অমা, অতোপ্পা অমনা থম্মোয়দা মমি তানা হায়রকপা হায়বা অমা, খেন্নবা অনি অসি লৈ। অনি অসিদা অইবগীদি মাগী থম্মোয়দা মমি তাদুনা লৈরবীনি হায়বসে ময়েক শেংনা হায়রকই। অদুনা থম্মোয়দা মমি তারিবা শক্তমসি,- অইবা মশাগী ওইনা, ফজবদা লময়ৌবী কনাগুম্বী অমনি। থাজ দা হায়রগা, "মেরা থাগী পুর্ণিমাগুম্বনি।" লৈরাংদা হায়রগনা, ইঙেন থাগী থাজিনগী, "পোমশাৎনবী থম্বাল ১০৮ দগী হেন্না থোৎনা নৌনা ফজবনি।" অদুগা অমুক নুংশিবগী মতাংসিদদি মীওইবনা নুংশিবসি মশাগী থৱায়দগী হেন্না নুংশিবসি লৈতে, "নঙমুক নুংশিবা" হায়রবনিনা মশামক্কী থৱায়মক্লুম নুংশিবনি। অসুক ফজখ্রবা, অসুক নুংশিখ্রবিসিনা, করিমতা হায়রমদনা তুমিন্না চৎখিবনি, অদুনা থম্মোয় পান্দবিনি হায়না ৱারৌফম থোকই, অদুবু অইবা ৱারৌদে, নাইতোম তাহৌবগী অৱাবসিনা লোইনাইদ্রবা ঈশৈ ওইহৌরে হায়বসি অরোইবা অন্তরাদা অমুক ময়েক শেংনা হায়রকই।

ৱাহৈনা শেন্বা শৈহেক কয়াসে
ফজহন্নীংলি নঙগী মায়থোঙগুম
ঐগী ঈশৈনা নঙমুক নুংশিরগা
নিংবা থুংজগে নুংশিরুবগী
মদুগীনি ঐনা শক্লিবা ঈশৈ।

নিংবা কায়হৌরবা থম্মোয় অমগী, নিংবা কায়বগী ময়েক শেংলবা অৱাবা ঈশৈনি। অসিগুম্বা ঈশৈসিদা Selley না হায়রম্বা

"Our Sweetest songs are those
That tell of saddest thoughts."

ৱাফম অসি হায়রিবা ঈশৈ ময়েক অসিমক্লি। মসিদি মশাদা পাল্লবা মহাক্তনা খঙগদবা ময়েক্লি, তশেং তশেংনা থম্মোয়দগীনি, থম্মোয়তগী ওইবা।

লৌখৎচগদৌরিবসি Objective কী ময়েক্লি

কৌব্রু চীং, থাংজিং চীং, শিরোই চীং
ঐখোয়বু কৌরি খুৎলাম তোয়না
খোংজোম চীং, চৈরাও চীং, নোংমাইজীং
ঐখোয়বু ঙায়রি চিংনা য়েংনা।
ৱারবসু ৱানা লিংজেল মান্নবা
জুকো তম্পাকপু য়ৌরুসি লাউ
খুৎশম্ননা চৎসি, হোইবু লাউনসি
খুগা খোর্দাকপু লাল্লুসি লাউ।
খারোমগী লোকচাউ, ওইনাল্লোংগী নাপোম
ঈচীল ঈনাও খঙনরুসি লাউ
ইরীল, থৌবাল, নম্বুল, ইম্ফাল
নুংশিবগী ঈচেল চেলহল্লুসি লাউ।
কছারগী বরাক, ত্রিপুরা, হোজাই
শিল্লোং, শিবশাগর তিন্নরুসি লাউ
তমগী খোঞ্জেল চীংগী খোন্থাং
মালেম শীন্না নিলহল্লুসি লাউ।

Objective কী ময়েক্তি অইবগা মরী লৈনদে, হিরম অমনা মপুং ওইরগা পাক্লা শন্না য়েংবা মিৎয়েংনি। ময়েক অসিসু মদুমিক্লি। মণিপুর, চীং তমগী মণিপুরনি। চীংলোন মাপন্না কোইশিনবনি। ঐখোয়গী লমদমসিবু ঙাক্লিবা, মায়কৈ ঙাকপা লাইশিংগী খুভম, কৌব্রুনা কৌব্রু চীংদা, থাংজিংনা থাংজিং চীংদা লৈ।

*– শঙলাকপম অচৌ শর্ম্মা*

# উলেল মীতৈ - থব্রানগুম ঙাল্লম্বা - অইবা অমা (২৬/৯/১৯৪৮-২৪/১০/২০১৬)

শক্লাইরবা শৈরেং অমসুং ঈশৈ ময়েক ইবা উলেল মীতৈ কুম্মজা ১৯৪৮গী সেপ্টেম্বর থাগী ২৬তা শগোলবন্দ তেরা সাপম লৈরক্তা খুরাইজম ফুলো অমসুং খুরাইজম ওংবী সনাথোই অনীগী মচানুপা অহল ওইনা তাইবঙদা খোঙদারকখি। মহাক্তি খোরিরোলগীদমক কথোক্লবা পুন্সি অমনি। মহাক্না লাইনীংথৌদা নুমিৎ খুদিংগী শৈরেং-ৱারেং ইবা ঙম্নবা শক্তি পীনবীয়ু হায়না থৌনিজে। মানা থৌনিজবা অদুদা মপূ মানা কুবীরে। লাইরিক ইবা ঙল্লে; ফোঙননবা শেলগী মথৌ তারে। মদুগীদমক লাইনিংথৌদা অমুক হায়জরে থৌনিজরে। অমা নৎত্রগা অমদগী লাইনিংথৌনা থৌজানবীদুনা শেল অদুমমক লাক্লে। লাইরিকসু মথং মথং ফোঙলে। উলেল মী তিন্নবদা অঙাং-অহল খায়দনা মী পূম্নমক্না লোয়নবা য়াবা মীশক অমনি। ঈশৈ অমা তারুবদা মদু ফজৈ হায়বদি মী পূম্নমক্না খঙনৈ অদুবু ঈশৈ অদু কনানা ইবনো হায়বদি খঙনদবগুম তৌনৈ। অদুবু ঈশৈ ময়েক ইবগী মফম অমা চাউনা কল্লিবা অসিবু পূম্নমক্না খঙবীফম থোকই। অইবা অসিগী শৈরেংশিং অয়াম্বা তোংব্রা, দিণমনিগুম সেত্যারদা ইনবা হোৎনৈ। মখোয়দগীদি মাগী তোপ তোপ্পা ময়ি অমদা ইনবা হোৎনৈ। মহাক পিক্লিঙৈদা অনকপদা লৈবা তেরা এল পি স্কুলদা তম্লকই। রামলাল পোল হায় স্কুলদগী মেত্রিক পাস তৌরকই। মখা তানা ইম্ফাল কোলেজ দা মহৈ মখা চৎখি। পি দল্লিয়ু দিদা মতম শাংনা থবক তৌরল্লগা থবক্তগী পোত্থাখি।

ইয়াম্বা অসিনা ঐঙোন্দগী চহী ৪ হল্লি। ওজা হায়না কৌনৈ। একাগাড়ী তোংদুনা চৎকল্লি। অদুবু ঐহাক্না উবদদি ইন্দুনা চৎপনা অয়াম্বনি। মরক মরক্তা মণিপুর প্রেস ক্লব অমসুং মণিপুর হিন্দি পরিষদকী কেম্পসতা একাগাড়ী ইন্দুনা চঙলকপদা হেক হেক থেংনৈ। ঈশৈ শৈরেংগী লাইরিক ফোঙখিবা খরদং পঞ্জরবদি - জয়ন্তকুমার শর্ম্মা, খুমন্থেম প্রকাশ, খুরাইজম নিমাইচরন, ফুলেন্দ্র, এম কে বিনোদিনি, তখেল্লম্বম সোরারেল, থাংজম কোরা, মনি মাইরেম্বম, খাইদেম ইমো, কে সী নন্দ, যূম্নাম ধাকেশ্বর, বীরমনি হৈস্নাম্বা, রাজেন্দ্র ওক্রম, যোদ্ধচন্দ্র সনসম, শরত অরাম্বম অসিনচিংবা ঈশৈ শৈরেং লাইরিক পুথোকখ্রে। অতৈ কয়াসু লৈরি।

ওল ইন্দিয়া রেদিও, ইম্ফাল কুম্মজা ১৯৬৩গী ওগষ্ট ১৫দা ইম্ফালদা মপূং ফাবা ষ্টেসন অমা ওইনা হাংদোক্লে। কুম্মজা ১৯৭০দা মশাগী চহী ২২ শুবদা আকাশবানি ইম্ফালগী শৈরেংবা অমা ওইনা এপ্রুভ তৌরে। মাইবম মাইমুনা শকখিবা ***'ঐগী নুংশি লম্বীদা মাবু অমুক উররোই/মরক মরক মঙলান্দা/লাকপা নত্তনা লাক্লরোই'*** হায়না শৈহৌবা ঈশৈ অসিমদি মী কয়াগী থম্মোয়বু হুমদুনা পুবা ঈশৈ অমা ওইদুনা লৈরি। হায়নবা লৈ *'নুংশিনবা হায়বদু ফংলোইদবগী শরুকপুদি, নুংশিনরগা মাঙজবনা হেন্না ফৈ'*। উলেলগী ঈশৈ লাইরিক মাপন ফোঙখ্রে। পূম্নমক্তা ঐগী হায়বসিনা হৌবা ঙাক্তনি। ১) ঐগী নুংশি লম্বীদা (২০০৯), ২) ঐগী নুংশি শৈরোল (২০১১), ৩) ঐগী ঈশৈগী শৈরোল (২০১২), ৪) ঐগী অনীংবদগী (২০১২), ৫) ঐগী খঞ্জবা (২০১৩), ৬) ঐগী পূক্নিংদগী, ৭) ঐগী থম্মোয়দা (২০১৪), ৮) ঐগী ঈশৈ (২০১৫), ৯) ঐগী ঈশৈ ময়েক (২০১৬) অসিনি। মহাক মশানা কম্প্যুটর পায়দুনা দি টি পি তৌবা অমসুং প্রুফ লৌবদসু মশাগী ওইবা য়াম্না হৈ-শিংবা মীশক অমসুনি।

মহাক্না লোয়নশিল্লোন্দা কয়ামুক থৱায় য়াওজবগে হায়ববু অপোকপা-অপোকপীগী মীংদা শৈরেং লাইরিকখক্তদা চহী ২/২ কান্নরগা পীবা 'খুরাইজম ফুলো সনাথোই মনা' মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি, ইম্ফালগী খূত্থাংদা কৎলম্মী। কুম্মজা ২০১৪দগী পীবা হৌখ্রবা মনা অসিদা শেল ওইনা লুপা ১০,০০০, সাইটেসন অমসুং শাল অমা য়াওরি।

মহাক্কী ৱাখলদা শৈরেং ইবা হায়বসি করিসু নত্তে চানবা ৱাহৈ খনবা হায়বসিনা মরুনি। কবিদি থম্মোয়দা নুংশিবা হায়বা ঈফুং অসিনা লেপ্পা লৈতনা কামথোল্লবদা ঈশ্বরনা কবিত্ব হায়বা গুণ অসি অদুম্মক য়াওজরল্লবনি। নুংশিবা হায়বসিদি ইশাদা য়াওজরবনি, অতৈদা লাপ্পা থিরুগদবা নত্তে। নুংশিবগী মশক অসি অতোপ্পা নত্তে। নুংশিবগী ৱাখল্লোল মী মীদুদা লৈজবনি। নুংশিবা য়াওদ্রবা মহাক অদো মী নত্তবগা অম্মা ওইরবনি।

অপোকপা অপোকপীগী মিংদা অতোপ্পা চপ মান্নবা মনা অমনা ঈশৈগী লাইরিক্তা ঙাক্তা পীনবা শৈরেংবশিংগী অপূনবা লূপ (শাল) তা কৎলম্মী। অইবা উলেলনা মীতৈ লাইনীংদা য়াম্না থাজবা মীশক অমা ওইনা হৌরকই। মরম অসিনা থোকচোম থোকাচনবা মীতৈগী মতুং ইল্লকখি। মহাক্তিনুংশিববু ইৱাৎচবা; মদুবু লৈখোং শোমজবা মীশক অমনি। মহাক্না তোঙান তোঙানবা মীওইশিংগী করেক্টর নৈনরকপদা কনাগুম্বনা চান্নরুদনা ৱারৌনদনবা মহাক্না মহাক্কী মমিং 'উলেল' হায়বসি অয়াম্বা মতমদা শীজিন্নৈ। মসি তেন্থগী অহল হায়না খঙনবা মোইৱাংথেম রাজেন্দ্রসু অদুম্মক রাজেন্দ্রবু সিম্বোল ওইনা শীজিন্নৈ। অতৈ কবি খরসু অসুম্না শীজিন্নবা হৌরক্লে।

উলেলনা শম্নরিবা সাহিত্যগী লূপশিংদি - শৈহেক শৈরেং শৈপান শেমগৎ লূপ (শৈপাল), শৈরেংবশিংগী অপূনবা লূপ (শাল)। অনীসিগী ফাউন্দর মেম্বরনি। সাহিত্যগী লূপ অতৈদি - মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি, ইম্ফাল; নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিটি, ইম্ফাল; রাইটরস ফোরম, ইম্ফাল; মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, ইম্ফালনচিংবগীসু লাইফ মেম্বর ওইরম্বা মীশক অমনি।

মহাক মীতৈ লাইনীংদা মাঙজিল থাবা অমা ওইদুনা কুরু থোকাচনবা মীতৈগী মতুং ইনবা অমা ওইনা হৌরকখি। মহাক নুংতিগী ফোঙলিবা পাউচেশিংদা শৈরেং, ৱারেং কয়া মতম মতমগী লেপ্তুনা ইদুনা লাকখি।

উলেলগী য়াম্না ফজবা নিতি লৈজে। কনাগুম্বনা লাইরিক ফোঙবা য়াওবিয়ু হায়না চেবাউ পীরল্লবা অইবদু মমিং লৈবা ওইগেরা, অনৌবা মীশক ওইগেরা মহাক হেক্তা ঙন্না চৎতুনা থৌরম অদু য়াওনবা হোৎনগনি। শক্লাইরবা স্কিম মেম্বর অমা ওইদুনা রাইটরস ফোরমগী লিচিং মখাদা লাইরিক কয়াসু ফোঙখিবা লৈখ্রে। লৈমরোল খোর্জেইকোল (লৈকোল) না পীবা মণিপুরী ঈশৈ লাইরিকশিংগী মনুংদা শীংথাবা য়াবা লাইরিক অমনি হায়দুনা থিয়াম কৃষ্ণচন্দ্র - রাধেশখি এৱার্দ অইবা অসিগী 'ঐগী নুংশি শৈরোল' হায়বা লাইরিক অসিদা ওক্টোবর ২, ২০১৬, নোংমাইজিং নুমিত্তা পীখি। মসিমক উলেলগী হোৎনজমল অদুগী শকখঙবা উৎপীবনি হায়না লৌবা য়াই।

ঐনা হঙ্গাম মপান মরক্তা ইম্ফাল তুরেলগী তোর্বান্দা ফমদুনা ইয়াম্বগী ঈশৈ অসিমতংদি ঈশিংগী ঈথক ঈপোমলক্তা শকচনীংঙি।

'ঐগী নুংশি লম্বীদা
মাবু অমুক উররোই
মরক মরক মঙলান্দা
লাকপা নত্তনা লাক্লরোই॥
মমি মত্ত্রবা মায়থোঙনা
খোইরুম মোমোন নোক্তুনা
লক্লররি ঐহাকপু
অমম্বা ৱাখলগী মালংদা॥
ইচিক হুনবা অহিংদা
থাবল ফবা উরগা
মানা ঐবু কৌবগুম
তারি ঐগী নাপ্পদা।
বসন্তনা লাকপদা
লাক্লিগদ্রা মহাক্তো
য়েংজৈ ঐনা লৈকোলদা
লোৎলিবরা হায়দুনা।

ইয়াম্বা উলেলগী ঈশৈ অসিনা ঐগী নাকোংদা ঙঙদুনা লৈরি অদুবু মহাক্তিশজিক মতুং ইন থবা মমৈ ৱাই অমং য়াইথোঙ কুম ... ঐখোয়বু থাদোক্তুনা হৌখিবা কুম্মজা ২০১৬কী ওক্টোবর ২৪, নিংথৌকাবা নুমিত্তা মপূ মাগী খুয়াখাদা চঙজখ্রে অরোইবা খোঙচৎ অমগীদমক। চীক্না ঈংনা লৈবা ওইয়ুকো। কৎচরি ৱাহৈ খরশে নফমদা।

*- আর কে গুনচন্দ্র*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।